
# ইজরেলগী হান্নগী পি এম ওলমর্ট শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা জেল চঙখ্রে

রামলে, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ
মতম অমদা পালেস্টিনিয়ানশিংগা ঈং-চিকপা ফীভম পুরক্কবা কন্না হোৎনখিবগীদমক্তা খঙনরবা ইহুদ ওলমর্টনা জেলদা লৈবা অহানবা ইজরেলগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি। মহাক শেঞ্জা-থুমজা তৌবা অমসুং ৱায়েলগী থবক্তা অকায়বা পীবগীদমক্তা ঙসিদগী জেলদা লৈবা হৌখিবনি হায়রি।

মশাগী চহী ৭০ শুরবা ওলমর্টনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তারমদাইদা সেন্ট্রল সীটি রামলেদা লৈবা মাসিয়াহু জেলদা চঙখি হায়না এ এফ পিগী পাউমীশিংনা ফোঙদোকখি।

ইজরেলগী মিন বেট দোমেষ্টিক সিক্যুরিটি এজেন্সীগী ওফিসরশিংনা মহাকপু জেলদা ঙাক শেন্দুনা পুশিনখি অমসুং মদু জর্নেলিষ্ট গ্রুপ অমনা মনাক্তগী য়েংখি। ওলমর্টকী কেসনা লৈবাক পুম্বা চঙক্কনা লৈহনখিবগা লোয়ননা ইজরেলি টেলিভিজন্না জেলগী মপান্দগী থৌদৌ অদুগী লাইভ ফুটেজ ব্রোদকাষ্ট তৌখি।



মহাক্কী মীয়াৎ অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা থাদোকখিবা ভিদিও মেসেজ অমদা ওলমর্টনা মহাক মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

"অসিগুম্বা ঙক্লিংঙাই ওইরবা অহোংবা অসিনা ঐঙোন্দা, ঐগী ইমুংদা, ঐবু লুনা খনবীবা অমসুং শৌগৎপীবশিংদা চৈনা কয়াম্না পীবগে হায়বদু নখোয়না ৱাখলনা লাম্বা ফংগনি হায়না মশা চোকথনা উরবা অমসুং মউ লুকথরব ওলমর্টনা হায়খি। "ঐঙোন্দা শীরিবা শেঞ্জা-থুমজাগী মরাল শীবা ৱাফমশিং ঐহাক্না য়াবা ঙমদে।"

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, "ঐগী শাংলবা কেরীয়রদা ঐহাকসু অশোয়বা খরা তৌখি, তৌইগুম্বসুং অদুগুম্বা অশোয়বশিং অদু ঐহাক্কী মত মতুং ইন্নদি ক্রিমিনেল ওইবা অমত্তা য়াওখিদে। অশোয়বা খরগীদমক ঐহাক্না ঙসি মমল ৱাংনা তিংলি, কা হেন্না তীংলম্বা ফাওবা য়াই। "পুবদা ৱারবা থম্মোয়গা লোয়ননা ঐহাক্না ঙসি ঐহাক্কী মীয়াৎপু য়ারি। কনামত্তা লোগী মথক্তা লৈতে।"

কুমজা ২০০০গী মতুং অদুৱাইদা জেরুসলেমগী চাউরবা হোলিলেন্দ রেসিদেন্সিয়ল কমপ্লেক্স শাবগা মরী লৈননা শেল চাখি হায়বগী মরালদা অহানবদা মঙোন্দা কুমজা ২০১৪গী মেদা চহী তরুক্কী মীয়াৎ পীখি। তৌইগুম্বসুং তুংদা মীয়াৎ অদু থা ১৮ দা হন্থখি। হৌখিবা চয়োলদা ইজরেলি কোর্ট অমনা মঙোন্দা ৱায়েলগী থবক্তা অকায়বা পীবগীদমক্তা অহেনবা থা অমগসু মীয়াৎ পীখি। কেস অদুগী ওইনদি চৈরাক খরা কোমথোক্লবা হায়দুনা মহাক্না মরাল য়াজখি।

মহাক্না জেলদা লৈবগী মতম শাংদোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। হৌজিক সুপ্রিম কোর্টনা নমথাক অমসুং শেঞ্জা-থুমজা তৌবগীদমক্তা পীখিবা থা নিপানগী অহুমশুবা মীয়াৎকী মায়োক্তা মহাক্না থাবা অপিল অমা দিবেট তৌনরিবনি।

# হোস্পিটাল ২দা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে

রিয়াদ, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ
নোর্দন সিরিয়াদা চথবা অনৌবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা হোস্পিটাল অনীদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে, মীশি-মীনা, অশোক-অপন কয়া য়াওখ্রে হায়না মেদিকশিং অমসুং ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোক্লি।

টর্কিগী বোর্দরদা লৈবা অজাজদা হোস্পিটালগী বিল্ডিং অমা নোংথক্তগী বোম থাদবদা শোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে।

মেদিসিন্স সান্স ফ্রন্টিয়রনা হায়খি মদুদি, মারাট অল-নুমানদা শোকখিবা অতোপ্পা এটেক অমদা ষ্টাফ মেম্বর নিপান থিবা খঙখিদ্রে। খ্বাইদগী নৌবা এয়রষ্ট্রাইকশিং অদু রসিয়া অমসুং অতৈ ৱার্ল্ড পৱারশিংনা সিরিয়াদা খুৎলাই শীজিন্নবা চাংদা অমদা লেপ্পবা হায়না য়ানখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা চথরকখিবনি। সিরিয়াদা সিভিল ৱার থোকপা চহী মঙা মপুং ফাজিল্লকখিবগা লোয়ননা মীওই ২,৫০,০০০ হেন্না শিখ্রে। মীওই মিলিয়ন ১.১ হেন্না ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে।

খ্বাইদগী নৌবা এটেকশিং অদু কনানা পাঙথোক্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মারাট অল-নুমানগী ষ্ট্রাইকশিং অদু কনাগী খুৎনো হায়বদু এম এস এফনা মশক তাকখিদে।

অদুম ওইনমক, টর্কিশ প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ দাভুতোগলুনা রসিয়াগী বেলিষ্টিক মিসাইল অমনা অজাজদা লৈবা বিল্ডিংশিংদা হিট তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদপু শৌগৎতুনা অমসুং মোস্কোনা টেররিষ্টশিংনি হায়বা টার্গেটশিংগী মথক্তা রসিয়ানা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদগী এয়রষ্ট্রাইকশিং চথদুনা লাকখিবনি। রসিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়ন আর্মিনা অলেপ্পো প্রোভিন্সতা চঙশিল্লকখিবদগী মীওই লিশিং কয়া অজাজদা লাপ্তেঞ্জন্ন-রকখি। কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিস্যানা মফম অদুদা চঙশিল্লকখিবনসু এরিয়া অদু টার্গেট তৌখিবনি হায়রি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা টর্কিনা ৱাই পি জিদা আর্টিলরি সেলশিং কাপশিন্দুনা এটেক তৌখি অমসুং করিগুম্বা কর্দিশ ফোর্স-শিংনা টাউন অদু লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি খ্বাইদগী কনবা মওংদা রিয়েক্ট তৌগনি হায়না ঙসি লাউথোকখি।

টর্কিনা সিরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা ৱাই পি জি মিলিস্যাবু টর্কি মনুংদা শাংলবা চহী কয়া লিশাং শিংনা কর্দিশশিংগী ওটোনোমি তাল্লকখিবা অথিংবা থল্লিবা পি কে কেগা মীচং ওইনবা গ্রুপনি হায়না লৌই।

# য়ু এসকী মিসাইল সিষ্টেম থল্লকপনা চাইনাগী ইন্টরেষ্টতা অকায়বা পীগনি : বৈজিং



বৈজিং, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ
পিয়োংয়াংগী বেলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামগী পাউখুম ওইনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা দিপ্লোই তৌরকপা তারবদি চাইনাগী ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরেষ্টশিংদা অকায়বা পীগনি হায়না বৈজিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী লৈবাকশিংদগী তোঙান তানা লৈরবা নোর্থ কোরিয়ানা খঙহৌদনা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমা পাঙথোকখিবা অমসুং মদুগী মতুং ইকুই কুইদনা সেটলাইট অমা থাগৎতুনা অশানবা রোকেট অমা চাংয়েং তৌখিবগীদমক্তা ৱাশিংটন অমসুং সিওলনা চয়োল অমগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা অমদা মখোয়না টর্মিনেল হাই অলটিচ্যুদ এরিয়া দিফেন্স সিষ্টেম (থাদ)কী মতাংদা ৱারী শানবা হৌরগনি হায়খিবনি।

"কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার ইস্যুগী মিংদা মরী লৈনবা লৈবাকশিংনা চাইনাগী ষ্ট্রেটেজিক অমসুং সিক্যুরিটিগী ইন্টরেষ্টশিং শোক্লিংঙাই ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরকপা ঐখোয়না খোঙফম চেৎনা য়ানিংদে" হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন হোং লৈনা রেগুলর ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

"মুক্নবগী ফীভম লৈরিবা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা থাদ দিপ্লোই তৌনবগী ৱাফম চাইনানা য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়না মহাক্না মখা তাখি অমসুং মদু কোরিয়ান পেনিন্সুলাগী দিফেন্সকী তঙাই ফদবদগী হেন্দোকপা মফমশিং কোল্লি হায়খি।

লমদম অদুদা থাদ দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম অসিদা বৈজিংনা নুংনাংলিবদি খোঙথাং অদুনা খুৎলাই লমজেল অমা লাকহনগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিনি।

সিষ্টেম অদুনা এন্টি-বেলিষ্টিক মিসাইলশিং নোংথক্তা কাপখৎলি অমসুং মিসাইলশিং অসিনা য়েক্লবগী মিসাইলশিংবু এটমোফিয়রগী মনুংদা নৎত্রগা ৱাংমদা মখোয়গী অরোইবা ফ্লাইট ফেজদা থোমজিন্দুনা থুগাই। ইন্টরসেপ্টর মিসাইলশিংদি ৱারহেদ পুদে, মদুগী মহুৎতা মখোয়গী টার্গেটশিং থুগাইবদা কাইনেটিক ইনর্জি শীজিন্নে।

কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদু দিপ্লোই তৌনবগী মতাংদা য়াম্না ঙন্না চয়োল অসিদা য়ু এসকা ৱারী শানবা হৌরগনি হায়না সাউথ কোরিয়ানা লাউথোকখিবদগী চাইনানা লৈবাক অদুগী এম্বেসেদর কৌথখি। "ঐখোয়না ঐখোয়গী লিজিটিমেট হকশিং অমসুং নেসনেল সিক্যুরিটিগী মরী লৈনবা অনিংবা অপান্বশিংদা শোক্কদবা খোঙথাং অমত্তা য়াবা ঙম্লোই" হায়না হোংনা হায়খি।

লৈবাক অমগী মথক্তা অথিংবা কয়া হেক্তা থম্বনা করিগুম্বা প্রোব্লেম অমগী সোলুসন ওইবা য়ারোই হায়রদুনা চাইনানা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদা ৱারী শানবা হৌনবা মতম শাংনা তক্কদুনা লাকখিবনি। গভর্ণমেন্টনা ফোঙবা চাইনা দেলিনা এদিটোরিয়েল অমগী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী থৌরাংশিং থাঙ্গৈশেংনা য়েংগদবনি তৌইগুম্বসুং থাদ দিপ্লোই তৌবগী খোঙথাং অসিনা য়ু এনগী রিজোলুসন অমা পুরকপদা অপনবা ওইগনি।

নোর্থ কোরিয়াগী লৈঙাক ফেল ওইখিগদ্রা হায়বসিদা বৈজিংনা মতম চুপ্পদা ৱাদুনা লৈ, মরমদি বৈজিংনা লৈবাক অসিবু সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী মিলিটরিগী মায়োক্তা বফর অমা ওইনা উরি অমসুং লৈবাক অসিদা তং তাবগী ফীভম কাইবা তারবদি বোর্দর ৱাংমদগী রেফ্যুজী কয়া ঈশিং ঈচাওগুম্না চাইনাদা চঙশিল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবসু ফাওরি।

ৱাশিংটননা হায়রি মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা মসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম-শিং লেপ্পনবা থবক পায়খৎত্রিফাওবা পিয়োংয়াংনা তৌরিবা পুম্বা ইচম চম্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। য়ু এসকী অসিগুম্বা ফিরেপ অসিনা হৌজিক লৈরিবা তং তাদবা ফীভম অদু লাকহল্লিবনি হায়না বৈজিংনা লৌরি।

# য়েলো ফিভরগী লায়চৎতা মীওই ৫০ হেন্না শিখ্রে

লুৱান্দা, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী)ঃ
এঙ্গোলাগী কেপিটেল লুৱান্দাদা থা ২ ফাদবগী মমাঙদা য়েলো ফিভর শন্দাকপা হৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক লৈবাক অসিদা লায়না অসিগী লায়চৎনা মরম ওইদুনা মীওই ৫০ হেন্না শিখ্রে হায়না হেল্থকী নেসনেল দিরেক্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ এক্সপার্টশিংনা হায়রি মদুদি, লুৱান্দা অমসুং অতৈ সিটিশিংদা সেনিটেসনগী সার্বিসশিং ফেল ওইবা অমসুং অমোৎ-অকায় ময়াম পৈশিন্দুনা লায়না অদুবু পুরিবা কাঙগী মশিং খঙয়াম য়ামথোরকপদগী লায়চৎ অদু হেন্না লুশিনহল্লে।



পুন্না মীওই ২৪০ হৌজিক লায়না অদু পক্লে হায়না সাউদর্ন অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা হেল্থকী সিবিল সর্ভেন্ট এদলেদ দি করবালহোনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরক্তা ফোরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খি। পুন্না মীওই মিল্লিয়ন ১.৬ টার্গেট তৌবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা কেপিটেল অসিদা মীওই ৪,৫০,০০০ হেন্না ভেক্সিন পীরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বজেটকী ক্রাইসিস থেংননবা হোৎনবদা সিটি ওথোরিটিশিংনা অমোৎ-অকায় খোমদোকপগী থবক্তা থাদবা মখোয়গী শেনফম ককথখিবদগী মানা য়াওনা শেল-থুমগী ফীভম শোক্লবা সিটিগী মফমশিংদা অমোৎ-অকায়শিং পৈশিল্লকখি। হৌখিবা দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা মানাদা য়েলো ফিভরগী অহানবা কেস দিটেক্ট তৌখিবনি। মলেরিয়া, কোলেরা অমসুং ক্রোনিক দাইরিয়াসু হেনগৎলক্লে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরাক অসিদা সেনিটেসনগী কন্ট্রেক্টর কয়ানা গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী পীফম থোকপা শেনফমশিং পীবীদ্রে হায়না ৱাকৎনবগা লোয়ননা ফোরন এক্সচেঞ্জকী অৱাৎপা লৈবনা মরম ওইদুনা মপান্দগী খুৎলাই লৈনবা হোৎনবদা মখোয়দা অৱাবা ওইরে হায়রি।

এঙ্গোলাদা অপুনবা ফোরন এক্সচেঞ্জ শেন্দানগী চাদা ৯৫ রোমদি শুংদোক্ত্রিবা থাউ থাদোকপদগী লাকই অমসুং কুমজা ২০১৪গী ময়াই থংবা শরুক্তগী থাউ মমল চাদা ৭০ হন্থরকখিবনা মরম ওইরদুনা অফ্রিকাগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকনমিদা চৈথেং পীরকখি অমসুং ক্বানজা করেন্সীগী ভেল্যু হাইথরকখি হায়রি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মতুং ইন্না, য়েলো ফিভরগী লায়ওংদা কোক কন্না চীকপা, হকচাং থুক-থুক লাউনা নুংঙাইরক্তবা, চাখিবা পোৎ হন্দোকপা অমসুং হকচাং চোকথবা য়াওই।

# 'আই এসনা য়ু এসতা এটেক তৌরকপা য়াই'

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ
হৌখিবা নভেম্বর থাদা পেরিসতা চথখিবা মীওই ১৩০ মথ্বায় মাঙহনখিবা টেরর এটেকশিং অদু ইন্টলিজেন্স ফেল ওইবদগী থোকখিবনি হায়না সী আই এগী দিরেক্টর জোন ব্রেনাননা হায়খ্রে অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটনা য়ু এসতা এটেক অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাক্না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

"পেরিসকী থৌদোক অদু ইন্টলিজেন্স ফেল ওইবগী খুদমনি। এটেক অদুদা য়াওখিবা টেররিষ্ট অমখক নৎতনা অতৈদি সিরিয়াদা আই এসনা ট্রেনিং পীখিবা ফ্রেঞ্চ সিটিজন ঙাক্তনি। মখোয়না ট্রেনিংদগী হল্লকখিবদা ওথোরিটিশিংনা খঙবা ঙমখিদে অমসুং মফম তরুক্তা এটেক তৌদুনা য়াম্লবা মরাল লৈজদবা মীওই ১৩০ হাৎখি" হায়না ব্রেনাননা হায়খি।

হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মনুং থিৎনা উবা ফংদবা আই এসনা থৌরাং তৌবা পোৎশক কয়ামুক লৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

"ঐখোয়না সিষ্টেম অসি ফেল ওইদুনা চপ লেপ্লে হায়বা খঙই। আই এসনা করিগুম্বা খরা তৌগদৌরে হায়বসি ঐখোয়না নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মাঙজৌননা খঙখি হায়না সী বি এসকী ইন্টরভিয়ু অমদা ঙরাং মহাক্না হায়খি।

"তৌইগুম্বসুং এটেক অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুনা লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসলশিংনা খঙবা ঙমদবা কম্যুনিকেসন্সকী অনৌবা মিন্স খরগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি অমসুং আই এসনা য়াম্না ফবা মখলগী টেক্নোলোজিশিং অমসুং কম্যুনিকেসনশিং শীজিন্নরকখি হায়খি।

"মখোয়না ওপরেটিভ কয়া শীজিন্নরক্কনি, মখোয়গী অপাম্বা ফংনবা তৌবদা চঙবা মচাক মথুম খুদিংমক মখোয়না ফংনবা হোৎনরক্কনি নৎত্রগা তঙাই ফদ্রবদি মখোয়না অসিগুম্বা এটেকশিং পাঙথোক্লবা মীশিংসু শীজিন্নরক্কনি। মরম অদুনা, মখোয়না এটেকশিং পাঙথোক্কনি হায়বসিদি মশানা তাবা শোইনিংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি। মখোয়গী থবক মায় পাকপা পাক্তবনা তোঙাল্লি" হায়না সী আই এগী দিরেক্টরনা হায়খি। আই এসনা য়ু এসতা এটেক তৌনবা হোৎনরক্কনি হায়বসিদি শোইনিংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না মহাক্কী মত ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, আই এসনা মীওই কয়া গ্রুপ অসিদা চিংশিন্নবা হোৎনবদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমসুং মুস্লিম ৱর্ল্ডগী মরক্তা খুৎ থোক্লহন্নবা হোৎনরি। "মরমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখোয়গী লৈবাকশিং লৌশিন্নবা হোৎনরি হায়না মখোয়না ক্লেম তৌরি। মসি অচুম্বদগী য়াম্না থাপতোক্লা লৈবা ৱাফমনি" হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না ইন্টলিজেন্স সিক্যুরিটি সার্ভিসশিংনা এটেক কয়া থিংখিবদা নৎতনা ইরাকতগী সিরিয়াদা নৎত্রগা য়ুরোপতা ওপরেটিভশিং চঙবসু থিংখি হায়খি। "তৌইগুম্বসুং পেরিসকী থৌদোক্তা ইন্টলিজেন্স ফেল ওইখিবা অদুনা আই এসপু বোম কয়া অমসুং এসোল্ট রাইফলশিংগা লোয়ননা এটেক তৌবা য়াহনখি" হায়না ব্রেনাননা হায়খি।

আই এসনা কেমিকেল মচাক মথুমশিং অমসুং খুৎলাই কয়া ফংবা ঙমই অমসুং মখোয়না পোৎশকশিংদু শীজিন্নবা ঙমই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না আই এসনা ক্লোরিন অমসুং মষ্টার্দ গ্যাস য়ামদবা চাংদা পুথোকপা ঙমই হায়না সী আই এনা থাজে হায়খি।

"আই এসনা অদুগুম্বা কেমিকেল খুৎলাইশিংদু নোংচুপলোমদা পুশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না মমাঙদা শীজিন্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ট্রান্সপোর্টেসনগী লম্বীশিং অমসুং স্মগল তৌবগী লম্বীশিং কক্থৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# সাউথ কোরিয়াগী আর্মি হেলিকোপ্টর ১ কায়খ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ
সাউথ কোরিয়াগী আর্মি হেলিকোপ্টর অমা ঙসি চাংয়েং ওইনা পাইবদা কায়খ্রে অমসুং মদুদা লান্মী অহুম শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হেলিকোপ্টর কায়বা অদুদা ক্রু মেম্বর মরিমক ফীভম থীনা শোকখিবগা লোয়ননা মখোয় অহুমদি হোস্পিটালদা শিখিবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। বেল য়ু ঐচ-১ ঐচ ইরোকিস হেলিকোপ্টর অদু সিওলদগী কিলোমিটর ১১০ রোম লাপ্পা লৈবা নোংপোক থংবা সীটি চনচিয়নদা অয়ুক্কী পুং ১০ রোম তাবদা কায়খিবনি। ওফিসলশিংনা হেলিকোপ্টর কায়বদু থিজিনবা হৌখ্রে।

# তালিবাননা লান্দাখিবা পাকিষ্টানি য়ুনিভর্সিটি নৌনা হাংখ্রে

পেশাৱার, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ
হৌখিবা থাদা টালিবাননা এটেক তৌখিবা পাকিষ্টানগী য়ুনিভর্সিটি অদু পুলিস চা কয়ানা কন্না ঙাক শেন্দুনা ঙসি নৌনা হাংদোকখ্রে অমসুং ঙসিগী য়ুনিভর্সিটি হাংবগী থৌদৌ অদুদা স্কুলশিংদা মখা তানা এটেকশিং চথখিগনি হায়না ইস্লামিক গ্রুপনা মমাঙদা চেৎনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা মরম ওইদুনা লমদম অদুদা পাক শন্না অকিবা পোক্লরে হায়বা উৎলে হায়রি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ২০ দা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্টশিংনা পাকিষ্টানগী নোর্থ-ৱেষ্টর্ন টাউন চারসাদাদা লৈবা বাচা খান য়ুনিভর্সিটিদা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখি অমসুং ওজা অমসুং মহৈরোয়শিং য়াওনা পুন্না মীওই ২১ হাৎখি।

পেশাৱার স্কুলদা চথখিবা মী তোরা তুনা হাৎখিবগী থৌদোক্কী মতুং চহী অমা কান্নরগা চথরকখিবা য়ুনিভর্সিটি এটেক অদুনা ঈরাং নংলবা লমদম অদুদা সিক্যুরিটিগী ৱাখল পুংকায় কায়হনখ্রে হায়রি। পেশাৱারগী থৌদোক অদুদসু অয়াম্বনা অঙাং ওইনা মীওই ১৫০ হেন্না হাৎখিবনি।

অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিবু নৌনা অমুক হাংদোক্লে হায়না লাউথোকপসিদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়না য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর ফাজল রহিম মরৱাটনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

**ꯃꯦꯅꯤꯕꯦꯒ ꯈꯨꯜꯂꯦ/পৈশা য়াওবা মনিবেগ খুল্লে**

তাং ১৪/২/২০১৬ কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী ন্যু মার্কেটকী খোঙউপ য়োনবা দুকানশিংগী গলিদগী পৈশা অমসুং য়ু বি আইগী দেবিট কার্দ য়াওবা মনিবেগ অমা খুল্লে। মপুনা প্রমান পীবিরগা তাং ২১/২/২০১৬ ফাওবগী মনুংদা লৌবিরনবা খঙহঞ্জরি। মতুংগী ৱাকৎ লৌজরোই।

**খঙহঞ্জরিবা :- A.K. Sanatomba**
HL-P/7580/16 # 9856253499, 9856109767, 9856158342

**ꯃꯥꯡ/ORIGINAL MARKSHEET CUM CERTIFICATE LOST**

I have lost my original Marksheet cum Certificate of H.S.L.C Examination bearing Roll No. 27334 of 2011 issued by BOSEM on the way between Bishnupur and Imphal on 03/02/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Gurumayum Tijendra Sharma**
Bishnupur Ward No. 8, # 7085668348
HL-P/7579/16

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
((· YOUR PORTAL TO SMART LIFE ·))

Launching
Phicomm Clue 630




4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

4G

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/2956/13/02-12/03

# EMPLOYMENT NEWS

**Staff Selection Commission (SSC)**
CGO Complex, Lodhi Road, New Delhi - 110003

**Combined Graduate Level (Tier-I) Examination-2016**

Staff Selection Commission will hold on **08/05/2016 and 22/05/2016,** an open competitive examination for recruitment to the following posts in various Ministries/Departments by selecting/ screening the candidates for the Main Examination.

**Posts for which Interview cum Personality Test** :

1. **Assistant Audit Officer** in Indian Audit & Accounts Department under CAG in the pay scale of Rs. 9300-34800 grade pay Rs. 4800/-
2. **Assistant Section Officer** in Central Secretariat Service in the pay scale : Rs. 9300-34800 grade pay Rs. 4600/-
3. **Assistants** in CVC/ Intelligence Bureau / Ministry of Railway / Ministry of External Affairs / AFHQ / Other Ministries/ Departments/ Organisations etc. other than CSS cadre in the pay scale of Rs. 9300-34800 Grade Pay Rs. 4600/-
4. **Inspectors** of Income Tax / **Inspector** (Central Excise) / **Inspector** (Preventive Officer) / **Inspector** (Examiner) in Custom Houses (Group B Non-Gazetted) in the pay scale of Rs. 9300 - 34800 Grade Pay Rs. 4600/-
5. **Assistant Enforcement Officers** in Directorate of Enforcement in the pay scale of Rs. 9300 - 34800 Grade Pay Rs.4600/-
6. **Sub-Inspectors** in CBI in the pay scale of Rs.9300-34800 Grade Pay Rs.4200/-
7. **Inspector** of Posts in pay scales of Rs. 9300-34800 Grade Pay Rs. 4200/-
8. **Divisional Accountants in** CAG Offices in the pay scale of Rs.9300-34800 Grade Pay Rs. 4200/-
9. **Statistical Investigators Gr.II** in M/o Statistics & Programme Implementation the pay scale of Rs. 9300-34800 Grade Pay Rs. 4200/-
10. **Inspector** of Central Bureau of Narcotics in pay scales of Rs. 9300 - 34800 Grade Pay Rs. 4200/-
11. **Sub Inspector** of National Investigation Agency (NIA) in pay scales of Rs. 9300 - 34800 Grade Pay Rs. 4200/-

**Posts for which Interview is not required** :

1. **Auditors/ Junior Accountants / Accountants** in various CAG Offices in the pay scale of Rs. 5200 - 20200 grade pay Rs. 2800
2. **Senior Secretarial Assistant** in various Central Government Offices/ Departments other than CSCS in the pay scale Rs. 5200 - 20200 grade pay Rs. 2400
3. **Tax Assistants** in various CBDT/ CBEC in the pay scale Rs.5200 -20200 grade pay Rs. 2400
4. **Compiler** in Registrar General of India in the pay scale Rs.5200 - 20200 grade pay Rs. 2400
5. **Sub-Inspector** in Central Bureau of Narcotics (Group-C) in the pay scale Rs.5200-20200 grade pay Rs.2400

**Educational Qualification:** Graduation in any discipline from any recognised University. (ii) Statistics/ Mathematics / Economics / Commerce subjects in Graduation for the post of Statistical Investigator Gr.II (iii) Bachelor's Degree with Economics or Statistics or Mathematics as compulsory of Elective subject. For the posts of Assistants (CSS), Computer Proficiency has been prescribed as an essential qualification.

**Fee**: Rs. 100/-. No fee for SC/ST/PH/Women and Ex-Serviceman. Fee will be paid only in the branches of SBI through payment challans which can be printed online.

**How to Apply :** Apply Online from at SSC website (Pay fee st SBI in this case) at http://www.ssconline.nic.in or at http://ssconline2.gov.in or at http://sscregistration.nic.in from **13/02/2016 to 10/03/2016** for Part-I registration and up to 14/03/2016 for Part-II Registration.

For further details, please see http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/exam_notice_CGLE_12_02_2016.pdf

**Haryana Public Service Commission (H PSC)**
Bays No.1-10, Block-B, Sector-4, Panchkula (Haryana)

Advt. No. 8/2015
Haryana Public Service Commission invites online applications from eligible candidates for to the following posts in various Departments of Haryana Government :

1. **Chief Manager Production**, Class-I : 01 post in Haryana Seed Development Corporation Limited
2. **Chief Manager Marketing**, Class-I : 01 post in Haryana Seed Development Corporation Limited
3. **Manager** Class-II : 03 posts in Haryana Seed Development Corporation Limited
4. **Assistant Director** (Group-B) : 01 post in Archaeology & Museum Department, Haryana
5. **Numismatic Officer** (Group-B) : 01 post in Archaeology & Museum Department, Haryana
6. **Curator** (Group-B) : 01 post in Archaeology & Museum Department, Haryana
7. **Assistant Engineer** : 64 posts (Civil-55,Mechanical-7, Electrical-2) in Irrigation Department, Haryana
8. **District Welfare Officer (Group-B)** : 03 posts in Welfare of Scheduled Castes & Backward Classes Department, Haryana

**Application Fee** : Rs. 500/- (Rs.125/- for SC/BC/ESM and all Female candidates, No fee for PWD candidates) to be payable at all branches of State Bank of Patiala & State Bank of India through payment challan.

**How to Apply** : Apply Online at Haryana PSC website http://hpsc.gov.in OR http://www.hpsconline.in on or before **08/03/2016.**

For details and instructions etc. for Haryana PSC Advt. No. 8/2015, please visit **http://hpsc.gov.in/Advertisement.aspx**

**RASHTRIYA SANSKRIT SANSTHAN**
(Deemed University)

Applications on prescribed format are invited from eligible Indian Nationals for following Teaching and Non-Teaching posts of Stenographers :

1. **Professor (Buddha Darshan)** : 01 posts, Pay Scale : Rs. 37400-67000 AGP Rs. 10000/-
2. **Associate Professor** : 04 posts, Pay Scale : Rs. 37400-67000 AGP Rs. 9000/-
3. **Assistant Professor** : 02 posts, Pay Scale : Rs. 15600-39100 AGP Rs. 6000/-
4. **Assistant Director (Physical Education)** : 01 post, Pay Scale : Rs. 15600-39100 AGP Rs. 6000/-
5. **Stenographers Grade-I** : 03 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 grade pay Rs.4200
6. **Stenographers Grade-II** : 02 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 grade pay Rs.2400

**How to Apply** : The prescribed application form duly filled in complete in all respects should reach the Registrar at above address latest by **29/02/2016**.

For detailed information and application format, please visit **http://sanskrit.nic.in**

**Jharkhand High Court.**
Doranda, Ranchi, Jharkhand

Applications are invited from the eligible candidates to fill up the existing vacancies, the vacancies as may occur in future, on temporary basis of the following posts of Deposition Typists :

- **Deposition Typist** for Civil Courts of Jharkhand : 150 posts, Pay Scale: Rs. 5200 - 20200/- Grade Pay Rs. 1900/-, Age : 18-35 years as on 01/12/2105.

**Application Fee :** Demand Draft of Rs. 400/- (Rs.125/- for SC/ST) in favour of Registrar General, High Court of Jharkhand, Ranchi.

**How to Apply** : Candidates should submit separate application for each post in the prescribed format given below, addressed to the **Registrar General, Jharkhand High Court, Ranchi** by Registered post/ Speed post only. The last date for receipt of application is **14/03/2016**.

Please view **http://jharkhandhighcourt.nic.in/recruitment/advertisement_no-02-04022016.pdf** for details and application format.